অরুনাচলদা আর্মিনা মীচম হাৎখিবগী থৌওং নাগা হোহোনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

দিমাপুর, মে ১৮ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশকী লোংদিং দিষ্ট্রিক্টতা ইন্দিয়ন আর্মিনা নাগা মীচম অমা হাৎলগা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংহনখিবগী থৌওংবু নাগা হোহোনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ১৯ শুবা সিখ রিজেমেন্টকী লান্মীশিংনা লোংদিং দিষ্ট্রিক্টকী পুমাও খুঙ্গংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নাগা মীচম অমা শিখিবনি। আর্মিনা মীচম অমসু মরম লৈতনা ফুরম্মী হায়না নাগা হোহোনা মরাল শীরি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা নাগা হোহোনা হায়খি, ওথোরিটিশিংনা চেন্নবা আর্মি পর্সনেলশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী কা হেনবা থৌওংবু কন্দেম তৌরদুনা নাগা হোহোনা হায়খি, মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপা অমদি ওৎ-নৈবগী থৌওং চথুরকপদা ওথোরিটিশিংনা তুমিন্না লৈথোকপা চুমদে। নাগা মীয়াম্না অরোয়বা ৱারোইশিন অমা ঙাইরিঙৈদা মতৌ অসুম্না মীচম-মীয়ামগী রাইট খোঙ্গাওনবা কন্দেম তৌই হায়নসু হোহোনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অরুনাচল প্রদেশকী ৱানচো কাউন্সিলনা মীচম হাৎপদা চেন্নবা আর্মি পর্সনেলশিং চৈরাক পীয়ু হায়না ঈং-তপ্পা মওংদা রেলি অমা চৎখ্রে।

ইন্দিয়ন আর্মিনা লমদান লুখাম কৌবা মীচম অমা হাৎখিবগী মতাংদা ৱানচো কাউন্সিলনা হায়খি, মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপদা চেন্নবা আর্মি পর্সনেল পুন্নমক মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। মীয়ামগী রেলি অদু লোংদিং জেনরেল গ্রাউন্দদগী হৌরগা দেপ্যুটি কন্মিস্নরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখি।

ৱানচো কাউন্সিলনা শীনখিবা রেলি অদুদা ৱানচো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, লোংদিং দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, ওল ৱানচো ৰিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন অমদি অতৈ সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনসু মপুং ফানা শৌগৎখি। মীচম হাৎখিবগী থৌওং অদু নোর্থ-ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননসু কন্দেম তৌখ্রে।

কামেস্বরনা এদমিনিষ্ট্রেটরগী থৌ পুখ্রে

অগরতালা, মে ১৮ (এজেন্সি):

জি কামেস্বর রাওনা ঙসি ত্রিপুরা ট্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টি টি এ এ দি সী)গী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থৌ পুখ্রে। ষ্টেট অসিগী গভর্নর রামেস বাইসনা ঙরাং নুমিদাং কামেস্বর রাওবু টি টি এ এ দি সীগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা খনখিবনি।

চহী ৫ গী ওইবা টি টি এ এ দি সীগী মতম নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইরে অদুবু কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোকপা ঙমখিদে।

ষ্টেট কেবিনেটকী ৱারেপ মতুং ইন্না কাউন্সিলগী মতিক ময়াই পুন্নমক গভর্নরদা শীন্নখি। গভর্নরনা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি কামেস্বর রাওবু টি টি এ এ দি সীগী চীফ এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা খনখিবনি।

মমাংদা পুলিস একাউন্টেবিলিটি কন্মিসনগী মেম্বর ওইরম্বা রাওনা ফম অদু থাদোক্লম্লগা টি টি এ এ দি সীগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থৌ পুখি। রাওনা ত্রিপুরা ষ্টেট ইলেক্সন কন্মিসনগী কন্মিস্নর ওইনা থৌ পুরম্মী।

পি এস তমাংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

গেংতোক, মে ১৮ (এজেন্সি):

ৱেষ্ট সিকিমদা লৈবা চন্দ্র সুবা কৌবা মীওই অমা গুজরাটকী বাদোদরাদগী হল্লকপদা লৈখিদবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর পি এস তমাংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। বাদোরাদা থবক তৌদুনা লৈরম্বী চন্দ্র সুবানা অতোপ্পা সিকিমিস খরগা লোয়ননা গুজরাটতগী ট্রেন তোংদুনা হল্লকখিবনি। কোভিদ-১৯ কোওর্দিনেসন কন্মিটিগী সেক্রেটরি রিঞ্জিং চেৱাং ভুটিয়ানা হায়খি মদুদি, ষ্টেট লৈঙাক্লা গুজরাটকী ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা পন্দুনা লৈরম্বা সিকিমিস কয়ামরুম অখন্নবা ট্রেন অমদা বাদোদরাদগী গুজরাট ফাওবা হোঙ্গিল্লকখি।

লৈখিদ্রবা চেৱাং ভুটিয়ানা মধ্য প্রদেশকী কাটমি ষ্টেসন্দা থুংলবা মতুংদা লাইহৌ হৌরকখি। খুদক্তা মহাকপু ওথোরিটিশিংনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংখি। ফেস বুক্তা থাদোরকপা ৱারোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সিকিমগী ওইনা বাদোদরাদা থবক তৌরম্বা মীওই অমা লৈখিদবগী থৌওং অসি লাইবক থিবনি। চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মীওই অদু ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লৌনরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

অসামদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা ৩ শুরে, অপুনবা কেস মশিং ১০২ য়ৌরে

গুৱাহাটি, মে ১৮ (এজেন্সি):

গৌহাতি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (জি এম সী ঐচ) দা লায়েংদুনা লৈরকখিবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমা ঙসি অয়ুক শিখিবগা লোয়ননা অসামদা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৩ শুরে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু মুম্বাইদগী হল্লক্লবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা হায়খি, ঙকশমদা কেন্সর নাবদগী মুম্বাইদা লায়েংলুবা গোবিন্দ্র চন্দ্র মালাকার কৌবা মীওই অমা অসামদা হল্লক্লবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী জি এম সী ঐচতা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৩ শুরে অমসুং অপুনবা কেস মশিং ১০২ য়ৌরে। মীওই ৪১ দি লায়েংবদগী ফগৎলবা মতুংদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা নোংপোক থংবা অসামগী জোর্হাট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং নগাওন দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী কেস অনী থেংনখিবনি। মীওই অনীমক জোর্হাট রিজনেল ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমলি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস ১০২ গী মনুংদা এক্তিভ কেস ৫৭ য়াওরি। মে ১৭ কী নুমিদাংদা মীওই ৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মীওই ২ মুম্বাইদগী হল্লকখিবনি অমসুং অতোপ্পা অমদুনা বিহারদগী থুংলখিবনি।

কছার দিষ্ট্রিক্টতসু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চেন্নাইদগী হল্লকখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা মীওই অমা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরমখি। মীওই অদু সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংলি। মে ১৬ তনা গুৱাহাতিদা কোভিদ-১৯গী কেস ২ থেংনখি। সোনিটপুর অমসুং সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টতসু কেস অমমম থেংনখি।

অমরোমদা অসামগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মপানগী মীওইশিং বস ৩ তোংদুনা দিল্লি মায়কৈ পাংখ্রে হায়রি।

ষ্টেটকী পাউ

লেবররশিংদা মতেং পাংনবগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ময়াই তাংবল লৌদুনা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লেবররশিংদা তেংবাং পীবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট) লেটখোগিন হাওকিপ, অন্দর সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট) হুইদ্রোম সোফিয়া, দেপ্যুটি লেবর কন্মিস্নর করাম বোনো অমদি লেবর ইন্সপেক্টরশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংনা হৌজিক-হৌজিক লেবর দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং মিনিষ্টরদা মরিক চুম্না পাউদমখি।

মিনিষ্টরনা আত্মানিভার ভারতকী মতুংইন্না লেবররশিংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা তেংবাং পীবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান য়োজনা অমসুং বিল্ডিং এন্দ অদর কন্স্ট্রক্সন ৱর্কর ৱেলফেয়র ফন্দগী মখাদা শিন্নীশিংদা তেংবাং পীনবগী থৌরাং লৌখৎনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা বিল্ডিং এন্দ অদর কন্স্ট্রক্সন ৱর্কর ৪১,১১৪দা শেলগী তেংবাং ওইনা লুপা লিশিং ১/১ ফংহনখ্রে। মতম চানা তেংবাং পীবা ঙম্নবা ওর্গনাইজ অমদি অন-ওর্গনাইজ সেক্টরগী শিন্মীশিং মশক খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদসু ওফিসলশিংদা খঙহনখি। ওর্গনাইজ সেক্টর অমদি অন-ওর্গনাইজ সেক্টর খরদা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর ২০,১৮৮ লৈবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাংদা তেংবাং পীবা য়াওহৌদ্রবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লুনা তেংবাং পীনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখিবগী ৱাফম নৌহৈনা পনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা লেবররশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং দিপার্টমেন্টতা খঙহল্লক্কদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংনা পি পি ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

লুখোসৈ জৌ লায়েংবা দোক্তর কোর্টনা এগজামিন তৌগদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৮গী জুন ২০দা এন এ বি পি এসনা লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী হিরোইন অমসুং এম্ফেটামাইন টেব্লেট কিলোগ্রাম ২৮গী মথক্তা শেল অমদি নোংমৈগা কোন্ননা ফাখিবা হান্নগী চান্দেল এ দি সীগী চেয়রমেন লুখোসৈ জৌ এলিয়স শৈসৈ জৌ (৫১)গী বেল হিয়রিংদা কোর্টনা মহাকপু লায়েংবা দোক্তর এগজামিন তৌনবগীদমক কোর্টতা লাক্নবা সম্মন নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসিসু মহাক্কী মায়কৈদগী মশা লায়েংনবা বেল পীবীয়ু হায়জরকখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর-১০৩ ওফ ২০২০ লৌখৎতুনা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর (লম্ফেল)দা মসিগী হিয়রিং পাঙথোকখি। কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অমসুং স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী ৱাফমশিং তাখি।

অদুগা পিটিস্নর একুজ লুখোসৈ জৌ এলিয়স শৈসৈ জৌগী হকচাং লায়েংখিবা জেনিমসকী সর্জরি দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র রেসিদেন্ট ডা. ভানৈখুপ চিরুনা পীরকপদগী মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী মেদিকেল ওফিসরনা সবমিট তৌরকখিবা মেদিকেল রিপোর্ট য়েংখি। অদুগা কোর্ট অসিগী জজ এ নৌতুনেশ্বরীনা পীখিবা ওর্দর অমদা একুজ অসিবু লায়েংলিবা দোক্তর অসিবু কোর্ট ৱিটনেস ওইনা এগজামিন তৌনবগীদমক থা অসিগী ২১গী অয়ুক পুং ১০.৩০দা কোর্টতা লাক্নবা সম্মন নোটিস ইস্যু তৌখি।

পনবা য়াবদি, একুজ অসি হান্নসু মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীরুরবনি। অদুবু মীরোৎ ওইরুবদগী কোর্ট অসিদা অমুক সরেন্দর তৌরকপদগী জুদিসল কষ্টদিদা থম্লকলিবনি।

CROSSWORD-3449

1		2		3		4	■	5		6		7
	■		■		■		■		■		■	
8					■	9						
	■		■		■		■		■		■	
10							■	11				
	■	■	■		■		■	■	■		■	■
12		13				■	14	15				16
■	■		■	■	■	17	■		■	■	■	
18				19	■	20				21		
	■		■		■		■				■	
22							■	23				
	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						

ACROSS

1 Mountain lake (4)
3 Waylaid (8) 9 Hazy (7)
10 Soft flat hat (5)
11 Covetousness (5)
12 Raids (6)
14 Horizontally (6)
16 Shortness of sight (6)
19 Informal French restaurant (6)
21 Illumination (5)
24 Play unfairly (5)
25 Smartypants (4-3)
26 Loathed (8)
27 Arthur --, tennis player (4)

DOWN

1 Sort of sledge (8)
2 Reddening cosmetic (5)
4 Alter (6)
5 Brown pigment (5)
6 Make haste (5,2)
7 Responsibility (4)
8 Debris (anag.) (6)
13 Historic French prison (8)
15 Apparel (7)
17 Cowardly (6)
18 Turf accountant (6)
20 Skirts worn by ballerinas (5)
22 Be an informer (5)
23 LSD (4)

Solution 3448

S	C	H	E	M	E	■	N	E	V	A	D	A
A	■	E	■	A	■	■	■	L	■	P	■	F
F	O	R	A	Y	■	C	H	E	M	I	S	T
A	■	E	■	O	■	U	■	G	■	N	■	E
R	E	T	U	R	N	S	■	A	U	G	U	R
I	■	I	■	■	■	T	■	N	■	■	■	S
■	■	C	O	M	F	O	R	T	E	D	■	■
R	■	■	■	A	■	M	■	■	■	O	■	A
A	C	T	E	D	■	A	G	R	O	U	N	D
I	■	W	■	O	■	R	■	I	■	B	■	O
S	P	I	N	N	E	Y	■	P	Y	L	O	N
E	■	R	■	N	■	■	■	E	■	E	■	I
D	A	L	L	A	S	■	G	R	A	T	I	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

রিমসতা হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট ইনষ্টোল তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

আই আই টি গুৱাহাতি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এন্দ এলমনাইগী এন থোইবনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারদা ফুট ওপরেটেদ হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট দোনেট তৌখ্রে হায়না রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর ফিলিপসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট অদু টিম অদুনা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টতা খুৎশিন্নখি। তুংদা রিমসকী কেজ্যুএলিটি ব্লোক্কী মমাঙদা য়ুনিট অদু ইনষ্টোল তৌখি। ফুট ওপরেটেদ হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট অদু আই আই টি গুৱাহাতি মণিপুর ষ্টুদেন্টস এলমনাইনা দিজাইন তৌরগা দিভলপ তৌবনি। গ্রুপ অসিনা দোনেট তৌবা তলকশুবনি। সী এম ওফিস অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতসু অসিগুম্বা য়ুনিট ইনষ্টোল তৌবা লৈখ্রে। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা খুৎ-শা হান্বদা হেন্না খুদোংচানবা য়ুনিট অসি দিভলপ তৌবনি। হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট অসিগী সিষ্টম অসি খোঙ শীজিন্নরগা অরাইবা মওংদা খুৎ হাম্নবগী সিষ্টম অমনি। ঈশিং নীংথিনা শীজিন্নবা অমদি ৱাটর টেপ অমসুং সাপোন খুৎনা হকথেংননা শোক্ত্রবসু য়ারে। রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা টিম অসিবু থাগৎখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘ফোর্ম থাজিনবগী মতম শাংদোকউ’

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা সব-মিসন ওন এগ্রিকলচরেল মেকানাইজেসন স্কিমগী মখাদা কুমজা ২০২০-২১ গী ওইনা এগ্রিকলচরেল ইনপুটশিং, মেছিন্নরি লৈনিংবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম মে ২২ ওইরিবা অসি শাংদোকপীয়ু হায়না নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপূনবা লুপকী সেক্রেটরি টি ঐচ রোমেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। দুকানশিং থোঙ হাংনদে। ফোর্ম থাজিনবদা চঙবা দোক্যুমেন্টশিং তাম্থোকপদা খুদোংচাদবা কয়া অমসু লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা মতম চানা ফোর্ম থাজিনবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈনরে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা ফোর্ম থাজিনবগী মতম শাংদোকপীয়ু হায়নসু মখা তারি।

পুলিসনা ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মনুংদা ঙসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মণিপুর পুলিসনা মাস্ক উপ্তুবা, লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বী-লমজাওদা থোরকপা মীওই ৮২৫ দিটেন তৌখ্রে। অদুগা তোঙান তোঙানবা কাঙলোন কায়না থৌরকপা গাড়ী ৫৯৮ না চলান ককহনবগা লোয়ননা পুন্না লুপা ৮১,৭১০ গী শেনফম ফাইন থিহনখ্রে। লোকদাউন থুগায়বা মীওইশিংগী মথক্তা মখা তানা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু পুলিসনা আপিল তৌরি।

পুলিস দিপার্টমেন্টতা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমসকী হেদ ওফ কার্দিওথোরাসিক সর্জরি, ডা. চিতো থোকচোমনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা হেন্দ সেনিটাইজর ২৪০, মাস্ক ২০০ অমসুং হেন্দ গ্লোভ জুরা ৫০ তেংবাংখ্রে। তেংবাং পোৎলমশিং অদু ডা. চিতো থোকচোমনা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি এল এম খৌতেদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী আই জি পি (ওপস) ই প্রিয়োকুমারসু শরুক য়াখি।

‘খুদক্তগী চৎমিন্নবা তোক্লে’

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ওজাশিংগী য়াইফনবা অমদি আর ও পি ২০১৯দা লৈরিবা অশোয়বা অরানবশিং শেমদোক্লবগী তকশিন্নবা শেমখিবা জোইন্ট টিচরস ফোরমগী মরক্তা ৱাখল অমদি পন্থুংফম মান্নদবা কয়া লাকপদগী ওল মণিপুর এস এস এ টিচরস এসোসিএসন্না জে টি এফকা পুন্না চৎমিন্নবা খুদক্তগী তোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম রাইচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, জে টি এফকী থবক থৌরম খূদিংমক এসোসিএসন অসিগা মরী অমত্তা লৈনদ্রে। মখা তানা মতম অমদি তাঞ্জানা অমুক হন্না শৌগৎতবা অমদি পুন্না চৎমিন্নদবা হায়না এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে। ৱাখল অমদি পন্থুংফম মান্নবশিংগা পুনশিন্নদুনা ওজা ময়ামগী য়াইফনবা শীন্নবসু এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কোভিদ-১৯গী লান্থেংদা অনৌবা পুৱারী অমা ইরসি ...

হান্নগী মখা চথুরকপা.... য়েক্লবগী মায়োক্তা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শাফি-লানফী শেৎতুনা মতম পুম্বদা মীৎ-না শীংনা মরৈবাক্কীদমক লেপ্তুনা লাকখি। মসিমক্লা ঙসিসু ইরৈচাশিংনা মশান্না কয়াদা মঙম শাল্লিবনি। থাঙ-তা, শগোল কাংজৈ, মুক্না, অরাম্বাই অমদি য়েলহৌ মশান্না কয়া ইরমদমদা মশিং থিঙমদনা লৈরি। ইখ্রোল কোইবা হায়বসি ঙল্লিনৈ মতমদগী লৈরকপা শেন্মীৎলোনদসু অচৌবা মতেং ওইবা হকচাং শাজেল অমনি। অঙাংশিংনা লৈকায়, খুলগী লম্বাক্তা মখল মখা কয়াগী মশান্নশিং মনিং মখা তম্না শান্নরম্মী। অদুবু মতমগী য়াওল মতুং ইন্না ময়োল লম, লোয়ালমদসু জিমদা শান্নবা চৎপা, ৱাকিং চৎপনা ময়াম্না তৌনবা হকচাং শাজেল ওইরি। হৌজিক্তী অঙাং অয়াম্বা লম্পাক, শান্নবুঙ লৈতবনা শান্নদ্রে। অদুনা মোবাইল, টেলিভিজনননা মহুৎ শীনখিবনা অঙাংশিং অয়াম্বনা মশা শোল্লে। অমরোমদনা কম্যুনিতি হোলনা শান্নবুং ওম্থোকখ্রবনিনা ইন্দোর গেমস শান্নহনবা ফৈ। ইখ্রোল লৈবা অঙাংশিংগীদি ফিজিকেল মুভমেন্ট ওইনা ইখ্রোল কোইবা য়াম্না ফৈ। শান্নবুঙ মরাং কয়ানা লৈবা মণিপুরনা ঙসিদি মালেমগী শান্নবগী ফম্পাক্তা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইরি। লায়না অসি থেংনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহন্ননবা খোঙথাংগা শাগোন্নরগা চৎপা থবক খুদিং কাওরোইদবনি। ঙসি লৌবুক-লম্ফাং পুন্নমক মাংশিল্লকপসিনা খুন্নাই অমদি শেন্মীৎলোনদা চাওনা চৈথেং পীরে।

মপানগী পোৎ শীজিন্নদবা-অনৌবা শেন্মীৎলোনগী মায়কৈদা ৱাফম কয়া থল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লায়না অসি থেংনবদা ঐখোয়গীদা লৈতবা শীজিন্নদবা য়াদবা মপানগী পোৎ খরখক নত্তনা অতৈদি ইরমদমগী ওইনা শীজিন্নবা মথৌ তাই।

মথং মথং...

‘মাও গেট, জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন্দা অহেনবা মেদিকেল টিম থমসি’

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

মাও গেট অমদি জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা অহেনবা মেদিকেল টিম থমসি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লোকদাউন মখা তানা শাংথখিবদগী মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মহৈরোয় অমদি মীওই কয়া অখন্নবা ট্রেনদা পুশিল্লকপগী থবক চখুরি। ট্রেনদা জিরিবাম তম্না পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। লাইবক থীবদি লন্নাই টেক্সি নৎত্রগা বসতা মাওদা থুংলবশিং মতম চানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা মেদিকেল টিমগী মেন পাৱর ৱাৎপদা নত্তনা মখোয়বু মতেং পাংগদবা ভলন্টিয়র মশিং ৱাৎলি। মসিনা মরম ওইরগা লমশাং লাকপদা চোকথরবা মণিপুর মচাশিংদা হেন্না অৱাবা মায়োক্লহল্লি। সেনাপতিগী থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা ষ্টেটকী কোভিদ-১৯ কন্সল্টেটিভ কন্মিটিনা অথুবদা মাও গেটতা খঙ-হৈরবা ডোক্তর, নর্স অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং মরাং কায়না থম্নবা হোৎনবনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোরকপা থিংবদা মতেং ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘নুমিৎ খরা কান্নরগা থুংহন্নবা হোৎনবিয়ু’

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরিবশিং অসি নুমীৎ খরা খরা কান্নরগা থুংহনবা য়াগদ্রা হায়না ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসন (অজুকা)গী প্রসিদেন্ট মাইপাকস্না মঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেটকী ৱাংমদা লৈরুবা মণিপুরী ইচিল-ইনাওশিংবু মশা-মশাগী ময়ুম-ময়ুমদা হন্নবা শীল্লকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মণিপুরগী মপান্দগী ট্রেনদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন তম্না পুরক্লি। চেন্নাই অমদি পঞ্জাবতগীসু থংন-থংননা লাকখি। রেলৱে ষ্টেসন অসিদা থংন-থংননা থুংলরিবা অসি য়ারগদি নুমীৎ হুম্নী নৎত্রগা মরিনিগুম্বা গেপ লৈরগা থুংহনবা য়াগদ্রা। হন্দক জিরিবামদা থুংলখিবা পেসেঞ্জর খরদা থর্মো স্কেনর তৌখিদে হায়না সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবা অদু মশানা চুমথোকচবদগী অজুকানা লান্না লৌরম্বা অদু লান্না লৌদ্রে। মপান ষ্টেটতা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়াবু ময়ুম-ময়ুমদা হলহন্নবগীদমক লৈঙাক্না থৌরাং পায়খৎলিবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকই। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরদগী মীওইশিং হৌজিক ট্রেনদা পুরক্তুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরি। মতম শাংনা ৱানা পন্দুনা লৈরম্বা কয়া ময়ুম-ময়ুমদা হল্লক্লবগী খুদোংচাবা পীরে হায়নসু মখা তাখি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3248

3	6					4		
			2			9	1	
9			8					
	7				3	5		1
8		4	6				2	
					1			7
	9	7			5			
		2					3	5

Solution-3247

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

3	7	2	4	9	1	8	5	6
9	6	4	8	7	5	3	2	1
1	5	8	2	3	6	9	7	4
6	8	1	9	2	4	5	3	7
5	3	9	1	6	7	2	4	8
4	2	7	3	5	8	1	6	9
8	1	5	7	4	3	6	9	2
2	4	6	5	1	9	7	8	3
7	9	3	6	8	2	4	1	5



অসিজোললনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


থেবদু ফাবা চোংশিনখিরম্মী।
ইবেম্মা নঙদি কৈদৌরিনো ।
ইন্সাং-নাপী হেক্লে তৌবনিদা। হোরেন ইন্সাং হাওনবা।